# পাকিষ্টানগী বলোচিষ্টানদা টেররিষ্টশিংনা এট্টেক তৌবদা লান্মী ১০ শিখ্রে

ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী লালহৌবগী ঈরাং কনবা খা নোংচুপথংবা বলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী কেচ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী চেক পোষ্ট অমদা টেররিষ্টশিংনা চথখিবা এট্টেকতা পাকিষ্টানগী লান্মী ১০ শিখ্রে হায়না আর্মিনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা মিলিটরিগী মীদিয়া ৱিং ইন্টর-সর্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর)না হায়খি, টেররিষ্টশিংনা জন্যুৱারী ২৫-২৬কী লোন্নবা অহিংদা এট্টেক চথরকখি। নাকল অনীগী মরক্তা কন্না নোংমৈ কাপ্নখি অমসুং লান অদুদা লান্মী ১০ শিখি। টেররিষ্ট অমা হাৎখিবগা লোয়নননা অতৈ কয়াসু অশোক-অপন নংখি।

নোংমৈ কাপ্নরবা মতুংদা চথখিবা ক্লিয়ারেন্স ওপরেসনদা টেররিষ্ট অহুম ফাখি। আর্মদ ফোর্সেসতা লৈবাক অসিদগী টেররিষ্টশিং মাঙহনবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি। হৌজিক ফাওবদা এট্টেক অদুগী মতাংদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিবা লৈখিদে। ইরান অমসুং অফঘানিষ্টানগা লোন্নবা বলোচিষ্টান অসি মতম শাংনা লালহৌবগী ঈরাং লৈরক্লবনি। বলোচ লালহৌবা গ্রুপশিংগা মমাঙদসু লমদম অদুদা পায়খৎলিবা চাইনা-পাকিষ্টান ইকনমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী) প্রোজেক্টশিংদা টার্গেট তৌদুনা এট্টেক কয়া পাঙথোকখ্রবনি।

থা অসিগী ৫দা খাইবর পাখতুনখ্বাদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চথখিবা ইন্টল্লিজেন্স রিপোর্টশিংদা যুন্স্ফম ওইবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন অনীদা লান্মী অনী অমসুং টেররিষ্ট অনী শিখিবনি। থা অসিগী অঙনবদা বান্নুগী জানিখেলদা লৈবা মিলিটরি পোষ্ট অমদা টেররিষ্টশিংনা এট্টেক তৌবদা লান্মী অমা শিখি। হৌখিবা থাদা নোর্থ ৱাজিরিষ্টান ট্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টকী মির অলি এরিয়াদা চথখিবা ওপরেসন অমদা পাকিষ্টান আর্মি মরি শিখিবনি। জন্যুৱারী ২১দা পাকিষ্টান আর্মিগী চীফ জেনরেল কমর জাভেদ বজৱানা টেররিজমগী মায়োক্তা অকনবা লাঞ্জং চঙশিন্দুনা মসিবু লৈবাক অসিদগী মুখৎনবা আর্মিনা অচেৎপা ফিরেপ লৌরে হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখিবনি।

টেররিষ্টশিংগা লান্থেংনবদা লান্মী কয়া মথ্বায় কৎখিবদু অরেম্বদা মাঙলোই হায়না পল্লদুনা জেনরেল বজৱাননা পাকিষ্টানদা মরা তপ্পা ফীভম মপুং ফানা হঞ্জিল্লক্কনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, নেচরেল গ্যাস, থাউ, কোয়লা, কোপ্পর, সলফর, ফ্লোরাইদ অমসুং সনাগুম্বা নেচরেল রিছোর্সশিং মরাং কায়না ফংবা বলোচিষ্টান অসি পাকিষ্টানগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং খ্বাইদগী শোত্থবা প্রোভিন্সনি। খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিংনা প্রোভিন্স অসিগী নেচরেল রিছোর্সশিং হেন্না কন্ট্রোল তৌনবা অমদি পোলিটিকেল ওটোনোমি হেন্না দিমান্দ তৌরদুনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লান হৌরকখিবনি।



# ‘বি এন পিনা পাল্লিবৈঁদা টেররিজম ফাইনান্স তৌখি অমসুং বাংলাদেশপু মাঙ-তাকহনখি’

ধাকা, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

বাংলাদেশতা ওপোজিসন বি এন পিনা লৈঙাক্কী পৱার পায়রিঙৈ মতমদা টেররিজম ফাইনান্স তৌখি অমসুং লৈবাক অসিবু মাঙ-তাকহনখি হায়না বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হাসিনানা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমীৎতা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। হাসিনানা বাংলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি)দা লালহৌবশিং অমদি ষ্টেটকী মায়োক্তা লৌতুনবগী থবকশিং ফন্দিং তৌবগী শরুক ওইনা লোবি তৌবশিংদা পার্টি অসিনা পীখিবা দোল্লর মিলিয়ন কয়াগী হৌরকফমগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন পীয়ু হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা বি এন পি-জমাট এল্লাইয়েন্সপু চৈ-থাংলদুনা হায়খি মদুদি, মখোয়না লৈবাক অসিগী লন-থুমশিং লুট তৌদুনা অমসুং শেনফমশিং অদুনা মপান্দা লোব্বিইষ্টশিং থমদুনা মালেমগী মমাঙদা লৈবাক অসিগী ইমেজদা চাউনা শোকহনখি। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না লৈবাক অসিগী মীয়ামদা থাজবা থল্লি মদুদি মখোয়না কৈদৌঙৈদসু অরানবা প্রোপেগন্দা অমসুং মীনম্বা ৱাফমশিংদা থাজবা থল্লোই। লৈবাক অসি হৌজিক চাউখৎপগী লম্বীদা খুন্মাং চাউশিন্না চঙশিল্লি। বি এন পিনা করম্না অমদি কদায়দগী মপানগী ফার্মশিংদা পীননবা দোল্লর মিলিয়ন কয়াগী শেনফমশিং ফংখিবগে অমসুং শেনফমশিং অদুবু মপান্দা করম্না থাখিবগে হায়বসি পার্টি অসিনা এক্সপ্লেন তৌগদবনি হায়না হাসিনানা মখা তাখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, লোব্বিইষ্টশিং বি এন পিনা ৱার ক্রিমিনেলশিংগী ৱায়েল থিংনবা, লৈবাক অসিগী মীখলদা য়ৈখায় থিনগায়বা পীনবা, মালেম পুম্ববু লৈবাক অসিগী মীখলদা থাজবা লৈহন্দনবা মিলিটেন্টশিং অমদি লৈবাক অসিবু হৌদোকপীরম্বা লুচিংবা মীওইবু হাৎখিবশিং প্রোটেক্সন পীননবা অমদি লৈবাক অসিগী ইমেজ শোকহনবগা লোয়নননা চাউখৎ খোঙথাংশিংদা অয়েৎ-অপন পীনবগীদমক নেকখিবনি।

বাংলাদেশকী লুচিংবা বঙ্গবনধু হাৎপগী ৱায়েল থিংননবা, ৱার ক্রিমিনেলশিংগী ৱায়েল লেপহন্নবা অমসুং লৈবাক অসিগী মায়োক্তা প্রোপেগন্দা শন্দোক্নবগীদমক্তা বি এন পিনা য়ু এসতা লোব্বিইষ্ট তরুক নেকখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, বি এন পি-জমাট এল্লাইয়েন্সনা পাল্লিবৈঁ শাংলবা মতমদা বাংলাদেশ অসি করপসনদা চেম্পিয়ন অমা ওইরকখি। ঐখোয়না পৱার পায়রকপদগী বাংলাদেশপু চাউখৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তগী হোৎনরকখি। কোভিদ পেন্দমিক মনুংদসু ঐখোয়না শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং নীংথিনা হেন্দল তৌবা ঙমখি। হাসিনানা মিং পন্দনা হায়খি মদুদি, বি এন পি শৌগৎপা শক্নাইরবা মীওই অমনা পদ্মা ব্রিজ থিংজিন্নবা অমসুং ৱর্ল্ড বেঙ্ককী লোন লেপহন্নবা ফাওবা লোবি তৌখি।



## হোষ্টেজ অমা শিখ্রে

টোকিও, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

ইরাই নুমীৎতা জপানগী কেপিটেল টোকিওগা নক্নবা মফম অমদা থোকখিবা পুং ১১ চুপ্পা মুক্নখিবগী থৌদোক অমদা জপানিজ পুলিসনা মশাগী চহী ৬৬ শুরবা মীওই অমা ফাখিবগা লোয়নননা হোষ্টেজ অমা শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা হোষ্টেজ অমনা হোস্পিটালদা ৱাখল তাদনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

শগোলশেল নুমীৎকী নুমীদাং পুং ৯ লোম তাবদগী ইরাই নুমীৎকী অয়ুক অঙনবা ফাওবা পুলিসকা মুক্নখিবা অদুদা মীওই অদুনা মেদিকেল ৱাটর অহুমদা এট্টেক তৌখি। মখোয়গী মনুংদা অমা মহাক্না নোংমৈ কাপ্লগা হাৎখি। এট্টেক্কর অদুগী ফিজিসিয়ননি হায়না থাজনখিবা মশাগী চহী ৪৪ শুরবা ডোক্তর নুপা অমা পুলিসনা থেংনবা মতমদা মহাক্কী মরুওইবা ওর্গানশিং মথৌ নীংথিনা তৌরমদে। মতুং তাবদা মহাক হোস্পিটালদা শিখি। মেদিকেল ৱার্করশিং অদু টোকিওগা নক্নবা সাইতামা প্রিফেকচরদা লৈবা নুপা অদুগী য়ুমদা লাকখিবনি।

# য়ুক্রেনগী উংখৎনবগী মতাংদা বাইদেন অমসুং জেলেনস্কিনা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা তাথোক-তাশিন তৌনখ্রে

ৱাশিংতন, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা য়ুক্রেনগী মহাক্কী লেংমান্নবা ভোলোদিমির জেলেনস্কিগা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা করিগুম্বা রসিয়ানা কিভপু লান্দাবগী থৌওং মখা তানা চথরক্লবদি ৱাশিংতননা মসিগী মীচঙশিং অমসুং পার্টনরশিংগা খুৎশম্ন রগা মশক থোকপা ৱারেপ অমা পুরকপা য়াবা মওংদা পাউখুম পীগনি হায়না নৌহৌননা থাজবা পীখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা হ্বাইট হাউসনা হায়, য়ুক্রেনগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হন্দবা হায়বসি য়ু এসকী অপাম্বনি হায়বা ৱাফমসু বাইদেননা ৱারী শানবা অদুদা জেলেনস্কিদা খঙহনখি। প্রসিদেন্ট বাইদেননা হায়খি মদুদি, হৌখিবা চহীদা য়ু এসনা য়ুক্রেনদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং ওইনা দোল্লর বিলিয়ন তঙ্খায় অমা হেন্না পীখি। মদুদা রসিয়ানা মিলিটরি খুৎলায় অমদি লান্মীশিং পৈশিন দুনা অকিল-অরিং শীংলকপদগী প্রেসর চাউনা লৈরিঙৈদা য়ুক্রেনগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা মতেং পাংনবগী অহেনবা মেক্রো-ইকনমিক সপোর্টসু য়াওখি।

হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, কিভতা লৈরিবা য়ু এস এ, এম্বেসিগী ষ্টাফরশিংগী ইমুংগী মীওইশিং চৎনখ্রবসু মিসন অদু হৌজিকসু মখা তানা হাংলি অমসুং মপুং ফানা ওপরেট তৌরি। হ্বাইট হাউসকী মতুংইন্না লুচিংবা অনীনা য়ুরোপিয়ন সিক্যুরিটিগী মতাংদা দিপ্লোমেসিগী লমদা তাথোক তাশিন তৌনবগী ৱাফমসু খন্নখি। নোর্মেন্দি ফোর্মেটকী খুত্থাংদা ইষ্টর্ন য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট লৈখায় তাহনবগী ৱাফম ৱাশিংতননা শৌগৎলি হায়বসি প্রসিদেন্ট বাইদেননা মহাক্কী লেংমান্নবদা খঙহনখি। নোর্মেন্দি ফোর্মেট অসি কুমজা ২০১৪দা লিংখৎখিবা ফ্রেঞ্চ, জর্মন, রসিয়ন অমসুং য়ুক্রেনিয়ন দিপ্লোমেটশিং য়াওবা মেকানিজম অমনি।

কুমজা ২০২০গী জুলাইদা পুরকখিবা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্টতা খুৎয়েক পীরিবা ক্বাদ্রিলেটরেল দাইলোগ মেম্বরশিংনা নৌনা কম্মিটমেন্ট পীবা তারবদি মদুনা উংখৎনবা হন্থহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা মিন্সকী এগ্রিমেন্টশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা খুন্মাং চাউশিনহনগনি হায়বসু প্রসিদেন্ট বাইদেননা ৱারী শান্নবা অদুদা পনখি। এগ্রিমেন্টশিং অদুদা কনফ্লিক্ট অদুগী মতাংদা দিপ্লোমেটিক সোল্যুসন অমা পুরকপা অমদি কিভতা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ক্রুপশিং অমসুং দোনবাস রিজনদা লৈরিবা খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিংগী মরক্তা খুদক্তা সিজ ফায়র পুরকপগী ৱাফমশিং য়াওরি।



# ওষ্ট্রেলিয়াগী চহী ১৬ অমসুং ১৭কী নহাশিংদা বুষ্টর শীজিন্নবা দ্রগ রেগ্যুলেটরনা এপ্রুভ তৌখ্রে



সিদনি, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়াগী দ্রগ রেগ্যুলেটরনা লৈবাক অসিগী চহী ১৬ অমসুং ১৭কী নহাশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন বুষ্টর দোজশিং শীজিন্নবগী ৱাফম ইরাই নুমীৎতা এপ্রুভ তৌখ্রে।

কোরোনাভাইরসকী ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টকী থ্রেট হন্থনবা মীয়াম্না অথুবা মতমদা অহুমশুবা দোজ কাপথোক্নবা ওথোরিটিশিংনা আপীল তৌখিবগা ঈরোয়নননা দ্রগ রেগ্যুলেটরনা এপ্রুভেল অদু পীখিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, ইজরেল অমসুং বৃটেনগী মতুংদা থেরাপ্যুটিক গুদস এদমিনিষ্ট্রেসন (টি জি এ)না ফাইজরগী ভেক্সিনবু চহী ১৬-১৭কী নহাশিংদা বুষ্টর ওইনা শীজিন্ননবা এপ্রুভ তৌখি।

ওফিসল দেটাগী মতুংইন্না ওষ্ট্রেলিয়া অসি কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা ভেক্সিন খ্বাইদগী হেন্না কাপ্পা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুং চল্লি। লৈবাক অসিগী মপুং মরৈ ফারবা মীওই অপূম্বগী চাদা ৯৩ হেন্না ভেক্সিন দোজ অনী কাপ্লে অমসুং চহী ১৮গী মথক্কী মীওইশিংগী চাদা ৩৫ রোমসু বুষ্টর দোজ অমা কাপ্লে।

থা অসিগী অঙনবদা লৈবাক অসিনা চহী ৫দগী ১১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌখি। টি জি এনা ফোঙদোরকখিবদা, চহী ১৬-১৭ গ্রুপকী মীওইশিং করম্বা মতমদা বুষ্টর দোজশিং কাপ্পা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা অথুবা মতমদা লৈবাক অসিগী ভেক্সিনেসন এদভাইজরি গ্রুপনা অহেনবা ইনফোর্মেসন পীরক্লগনি।

ওমিক্রোননা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপূনবা কোভিদ ইনফেক্সন মশীং মিলিয়ন ২.৪ রোম য়ৌহনখি। হৌখিবা চয়োল মরি অসিদা ইনফেক্সন মিলিয়ন ২ রোম দিটেক্ট তৌখি। ভেরিয়েন্ট অসিনা শাথিবা লায়না থোকহন্দ্রবসু বুষ্টর কাপ্পগী চাং হেনগৎলকপদগী শিবগী চাংসু হন্থহনখি।

## অফঘানিষ্টান অমসুং তুর্কমেনিষ্টাননা পৱার লাইন প্রোজেক্টকী দিল সাইন তৌনখ্রে

কাবুল, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টাননা হন্দক্তা এক্টিভেট তৌখিবা নূর-অল-জিহাদ সবষ্টেসনগী পৱার লাইনগা মরী লৈননা তুর্কমেনিষ্টানবু দিল অমা খুৎয়েকপীনরে হায়না অফঘানিষ্টানগী মরুওইবা পৱার সপ্লায় কম্পনি ওইরিবা দা অফঘানিষ্টান ব্রেশনা শের্কাট (দি এ বি এস)না ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কম্পনি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সীনা হায়, দি এ বি এসকী ওফিসলশিং অমসুং অফঘানিষ্টানদা তুর্কমেনিষ্টানগী দেলিগেসন অমগী মেম্বরশিং অমসুং টর্কিশ কালিক ইনর্জি কম্পনি মীহুৎশিংগী মরক্তা নুমীৎ মরিনি চুপ্পা ৱারী শানরবা মতুংদা নূর-অল-জিহাদ সবষ্টেসন ইলেক্ট্রিসিটিগী কনেক্ট কে ভি ১১০দগী কে ভি ২২০দা এক্সটেন্দ তৌনবা খুৎয়েক পীনরে।

কম্পনি অসিগী মতুংইন্না প্রোজেক্ট অদুদা কে ভি ১১০দগী কে ভি ২২০গী দবল সার্ক্যুট পৱার ট্রান্সমিসন লাইন য়াওগনি। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা তুর্কমেনিষ্টানগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনর্জিগী অৱাংবা থাক্কী দেলিগেসন অদু কাবুলদা থুংলখিবনি। দেলিগেসন অদুগী পান্দমদি মরুওইনা তুর্কমেনিষ্টান-অফঘানিষ্টান - পাকিষ্টান পৱার প্রোজেক্ট অমসুং নূর-অল-জিহাদ সবষ্টেসন য়াওনা পৱার প্রোজেক্টশিংদা কোওপরেসন পীনবগী লিগেল অমসুং টেক্নিকেল ইস্যুশিং মরী লৈনবা অফঘানিষ্টানগী ওথোরিটিশিংগা খন্নবনি।

হৌখিবা মতম খরা অসিদা অফঘানিষ্টানদা পৱার ফংদবগী প্রোব্লেম মায়োক্নরকখি। চহীদা ইলেক্ট্রিসিটি মেগৱাট ৮৫০ মথৌ তাবা চীংগী লৈবাক অসিদা য়ুজবেকিষ্টান, তাজকিষ্টান, তুর্কমেনিষ্টান অমসুং ইরানদগী মেগৱাট ৬২০ ইম্পোর্ট তৌই অমসুং মেগৱাট ২৩০না দোমেষ্টিক ছোর্সশিংদগী ফংই হায়না দি এ বি এসকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখি।

# এম-ঈদা চৎখিবা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টকী দেলিগেসনদা য়াওবা মীওইশিং কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

সিওল, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

থা অসিগী অঙনবদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইননা মিদল ইষ্টতা খোঙচৎ অমা চৎখিবদা লোয়নখিবা দেলিগেসনগী মেম্বর খরা য়ুমদা হল্লক্লবা মতুংদা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্লে হায়না ইরাই নুমীৎতা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ), সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইজিপ্টতা নুমীৎ ৮নিগী খোঙচৎ অমা লোইরবা মতুং জন্যুৱারী ২৩দা সাউথ কোরিয়াদা হল্লকখিবা প্রসিদেন্ট মুন গভর্ণমেন্টকী কন্টেনমেন্ট গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না লৈবাকপোকপা নুমীৎ ফাওবা য়ুমদগী থবক তৌখি।

ওফিসল অদুনা মখা তানা হায়, য়ুমদা হল্লক্লবা মতুং পি সী আর টেষ্টশিং পাঙথোকপদা প্রসিদেন্টকী খোঙচৎতা লোয়নখিবা মীওই খরা কোভিদ পোজিটিভ ওইখি। চপ চাবা কেস মশীং পন্দবীদা ওফিসল অদুনা হায়খি মদুদি, মিদল ইষ্টকী খোঙচৎ অদুদা প্রসিদেন্ট মুন কোভিদ ইনফেক্সন লৈরবা মীওইশিংদুগা নকশিন্নখিদে।

দেলিগেসন মেম্বর খরা কোভিদ পোজিটিভ ওইরম্বদুদগী প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা লায়না লাকশিন্নবগী গাইদলাইনশিং মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখি। হৌজিক ফাওবদা অহেনবা ইনফেক্সনশিং থেংনদ্রি। কনফর্ম তৌরবা পেসেন্টশিং অদুগী অকুপ্পশিং ওফিসলশিং অসিনা পনখিদে।

প্রসিদেন্ট মুননা ন্যু য়রগী প্রেস কনফরেন্স পাঙথোক্তনা লৈরিবসি কোভিদ ইনফেক্সনশিংনা মরম ওইবা য়াই হায়না ওবজার্ভর খরনা ফোঙদোক্নরবসু মহাক্কী ওফিসনদি প্রেস কনফরেন্স তৌখিদবদু ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টকী রেস্পোন্সতা হেন্না মীৎয়েং চঙবা ঙম্নবনি হায়খি।

চৈরকসিদা, লৈবাক অসিদা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টকী কেসশিং লায়েংনবগীদমক্তা লৈবাক অসিনা মথং থাদগী হোস্পিটাল অমসুং ক্লিনিক মচা লিশিং কয়া হাংদোক্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। লৈবাক অসিগী নোংমদা থেংনবা কোভিদ কেস মশীং ইরাই নুমীৎ ফাওবদা থংন-থংননা মমাঙদা অমুক্তা থেংনখিদ্রবা মওংদা ৱাংখি। হৌখিবা পুং ২৪দা থেংনখিবা অনৌবা ইনফেক্সন মশীং ১৬,০৯৬নি। মসি নিংথৌকাবা নুমীৎতা রিপোর্ট তৌখিবা কেস মশীংদগী শরুক অনী হেনগৎলবনি। এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা লৈবাক অসিদা কোভিদ কেস মশীং কা হেন্না হেনগৎহল্লিবসি চয়োল মঙাদগী ৮ ফাওবা লেপ্তুবগা লোয়নননা নোংমদা থেংনবা কেস মশীং ১০০,০০০গী মথক য়ৌবা য়াই।



## ভেক্সিন মপুং ফানা কাপ্লবা টুরিষ্টশিং ফিলিপিন্সতা চঙবা য়াহল্লগনি

মনিলা, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

ফিলিপিন্সনা ভিজা য়াওদনা লৈবাক অসিদা চঙবা য়াবা লৈবাকশিং অমদি রিজনশিংগী মপুং ফানা ভেক্সিন কাপ্লবা ফোরেনরশিং ফেব্রুৱারী ১০দগী অথিংবা লৈতনা চঙবা য়াহল্লগনি হায়না ইরাই নুমীৎতা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কেবিনেট সেক্রেটরি কার্লো নোগ্রালেসনা ফোঙদোরকপদা, ফোরেনরশিংনা বিজিনেস অমদি টুরিজমগা মরী লৈননা ফিলিপিন্সতা লাকপা ওইরবদি লৈবাক অসিদা থুংলবা মতমদা ভেক্সিনেসন সর্টিফিকেটশিং অমসুং য়ামদ্রবদা থা ৬ ভেলিদ ওইবা পাসপোর্টশিং পুথোক্কদবনি। চহী ১৮গী মখা ওইবা মীওইশিংদি ইগজেমসন লৈগনি।

টুরিজম সেক্রেটরি বর্না রোমুলো-পুয়াটনা হায়খি মদুদি, লম কোয়বা মীওইশিংবু লৈবাক অসিদা চঙবা য়ানবগী ৱারেপ লৌখিবা অসিনা মরুওইনা টুরিজমগী মপাল তাঙনা হিংলিবা কম্যুনিটিশিংবু অমুক হন্না থবক ফংহনবদা অমসুং পেন্দমিক্না মরম ওইদুনা লেপ্পুরবা বিজিনেসশিং অমুক হৌহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিদা ইন্টরনেসনল টুরিষ্টশিংবু অমুক হন্না চঙবা য়াহনবা অসিনা লৈবাক অসি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা মান্ননা লেপ্পুরবা থবকশিং মখা তানা পায়খৎপা ঙমহল্লগনি। তৌইগুম্বসুং শাথিরবা লাইচৎ থোকহল্লিবা ভাইরস অসিগী তম্বা ঙমদবা ফীভম য়েংদুনা ঐখোয়না চেকশিন থৌরাংশিং মখা তানা লৌখৎপা মথৌ তাই। ঐখোয়না হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম চেকশিন্না মোনিটর তৌগনি অমসুং টুরিজম ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা হেল্থ অমসুং সেফ্টি প্রোটোকোলশিং চেকশিন্না ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি। চৈরকসিদা ফিলিপিন্সনা ফেব্রুৱারী ১দগী হৌরগা মপুং ফানা ভেক্সিন কাপ্লবা ট্রাভেল্লরশিংগী ওইনা মতম খরা কোভিদ-১৯ রিস্ক ক্লাসিফিকেসন লেপ্লগনি।

# প্রসিদেন্সিএল ভোটকী মরিশুবা রাউন্দ লোইখ্রবসু ইটালিগী ১৩শুবা প্রসিদেন্ট খনবা ঙমখিদ্রে

রোম, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

গ্রান্দ ইলেক্টরশিং হায়রগা খঙনবা ইটালিগী লোমেকরশিং অমসুং রিজনল রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা লৈবাক অসিগী ১৩শুবা প্রসিদেন্ট খন্ননবা মরিরকশুবা ওইনা ভোট লৌনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে।

হাউস অনীমক্কী এম পিশিং অমসুং রিজনল গভর্ণমেন্টশিংগী রিপ্রজেন্টেটিভ ৫৮না নুমীৎ মরিনি চুপ্পা ভোট লৌনদুনা মশাগী চহী ৮০ শুবা সের্গিও মাট্টারেল্লাগী মহুৎ শীনবা অমা খন্ননবা হোৎনরকখি। মাট্টারেল্লাগী চহী ৭কী টর্ম ফেব্রুৱারী ৩দা লোইগদবনি। অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবদা চঙবা ভোট মশীংগী চাং শগোলশেল নুমীৎতা অহানবা রাউন্দ অহুমদা টু-থর্দ (এবসোল্যুট) মেজোরিটি সপোর্ট ওইহল্লম্বদগী ভোট ৫০৫গী সিম্পল মেজোরিটিদা হন্থহনখি। মরুওইবা পার্টিশিংনা কেন্দিদেট অমা খনবগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরকপা ঙমখিদবনি। মীদিয়া অমসুং কম্মেন্টেটরশিংনা মরিশুবা রাউন্দগী ফলসু মাঙজৌননা লাউথোকখি।

শগোলশেল নুমীৎতা ইলেক্টর ৪৪১ ভোট লৌনবদা য়াওখিদে। মখোয় অয়াম্বা সেন্টর-রাইট কোলিসনগী মেম্বরশিংনি। ইলেক্টর ২৬১না ব্লেঙ্ক বেল্লোটশিং থাদখি অমসুং ইলেক্টর ১৬৬না টর্ম লোইশিল্লক্লবা প্রসিদেন্ট মাট্টারেল্লাদা ভোট পীখি। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা ভোট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংখি।

ইটালিগী প্রসিদেন্টশিংগী টর্ম চহী ৭নি। মাট্টারেল্লাগী ওইনদি অনীশুবা টর্ম অমগা মখা তানা ওফিস পায়বা পামদ্রে হায়না নাখৈ শেংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। চৈরকসিদা পার্লিয়ামেন্টকী মরুওইবা ব্লোক অনী হায়বদি সেন্টর-লেফ্ট অমসুং সেন্টর-রাইটকী রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা মখা তানা নিগোসিএসন চথখি হায়রি।



# ট্রোপিকেল নোংলৈ-নুংশিৎনা শোকহল্লবা মোজাম্বিককী অঙাংশিং য়ুনিসেফনা মতেং পাংলি

মপুটো, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):

মতিক ময়াই লৈরবা ট্রোপিকেল নোংলৈ-নুংশিৎ অনানা মাঙহন-তাকহনখ্রবা মোজাম্বিককী স্কুলশিংদা তল্লিবা অঙাংশিংগীদমক্তা লৈবাক অসিদা মতম খরগী ওইবা মহৈ তম্ন বগী সেল্টরশিং শেমগৎ-শাগৎলি হায়না য়ুনিসেফনা লাউথোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ু এন এজেন্সী অসিনা হায়, নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা শোকহল্লবা অঙাংশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংশিংগীদমক্তা এজেন্সী অসিনা মেদিকেল অমসুং ন্যুট্রিসনেল মেটেরিএল, ঈশিং, সেনিটেসন অমসুং হায়জিন কিটশিং পীননবা এক্সপার্টশিংগী টিম অমা দিপ্লোয় তৌখ্রে।

এজেন্সী অসিনা প্রেস রিলিজ অমদা হায়, বকেটশিং, ৱাটর প্যুরিফায়রশিং, সোপশিং য়াওনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং অমসুং নীংথিনা চাবা ফংদ্রবা অঙাংশিংগীদমক্তা থেরাপ্যুটিক চীঞ্জাকশিংসু য়েন্থোক্লি। য়ুনিসেফকী মতুংইন্না শাথিরবা ট্রোপিকেল নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা মোজাম্বিক্কী নম্পুলা, নিয়াসা, মনিকা, সোফালা, জাম্বেজিয়া অমসুং তেতে প্রোভিন্সশিংদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রবা মতুংদা হৌজিক নুপী অমসুং অঙাং ২৩,০০০ রোম য়াওনা মীওই ৪৫,০০০ রোম হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং মথৌ তাবা য়াই।

লৈবাক অসিগী য়ুনিসেফ রিপ্রজেন্টেটিভ মারিয়া লুইসা ফর্নারানা হায়, মোজাম্বিক্তা শিৎচিল্লকখিবা খ্বাইদগী নৌবা ট্রোপিকেল নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা ক্লাইমেটকী ক্রাইসিস অসি তরাইনা লৌবা য়াদবা থাঙ্গৈশেংবা থৌদোক অমনি অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈনবা শাথিবা থৌদোকশিংনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবসি অঙাংশিংনি হায়বসি উৎলি। নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা মহৈ তল্লিবা অঙাং ২৭,৩৮৩গী ক্লাসরুমশিং মাঙ-তাকহনখি।

